ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯲꯸, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯶꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, দিসেম্বর ২৮, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ২৬৮শুবা মশীং

## রিমসতা মোংবা চঙলব্রা ৱাথোক ওইহল্লক্কনু য়েংনীংদে

মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা 'রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস' (রিমস) অসি ষ্টেটসিগী খক্তা নত্তনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা লায়েংশঙ অমা ওইরকপদা নত্তনা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমসু ওইরক্লে। ঙসিগী ফীভমসি ওইরক্ত্রিঙৈগী মমাঙগী হৌদোরকপগী ৱারী ময়াম লৈ। অহানবদা রিজনেল মেদিকেল কোলেজ (আর এম সী) হায়দুনা হৌদোরকখিবনি। কোন্না রিমস হায়দুনা মমিং ওন্থোক্লগা হেন্না পাকথোক চাওথোকহল্লকপনি। ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) কী থাক ফাওবা য়ৌনা পুখৎলক্কনি হায়বা ৱাখল্লোন্না লমজিং ওইদুনা ইন্সটিট্যুট অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়াসু লেপ্তুনা পায়খৎলক্লিবনি। অদুগা হৌজিক্তি ইন্সটিট্যুট অসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়েরগী মখাদসু লৈরবনি। লায়েংশঙ অচৌবা অমসু ওইরক্লবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অসিনা ঙসিগী ফীভমসি য়ৌরক্লবসু মসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন লোমদা লৈক্রক লাওনা চৎপগী ফীভমদা লৈরম্লিবসিবু করিগীনো? অফবা লায়েংশঙ, অচৌবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমা ওইহনবদা চঙলিবসি অফবা সুপর স্পেসিএলিষ্ট ডাক্তর, অহৈবা ফেকলটি মেম্বর, মতিক চারবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং খক্তা নত্তে। পূম্নমকসিবু এদমিনিষ্টর তৌগদৌরিবা 'এদমিনিষ্ট্রেসন' হায়বসিসু য়াংলেন শরূ ওইনা চঙই, মথৌ তাই হায়নীংই। অদুবু ইন্সটিট্যুট অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী মকোক ওইগদৌরিবা দিরেক্টরগী চার্জ পুহনবদা ৱাথোক লান্থোক থোরক্তুনা হায় কোর্ট য়ৌনরক্লিবা করিগীনো? থৌওংসিদি মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অসিগী য়াংলেন শরূদা তিল ফত্তবা চঙলে নৎত্রগা তেক্লে হায়বা নৎত্রা? ফীভমসিনদি রিমসপু এইমসকী থাক্তা পুখৎকনিগা হায়রিবসিবু থাজবা-থাজদবগী ৱাফম তরাইথোকখ্রদনা ঙম্বু ঙমগদৌরিব্রা হায়বনি।

নৈগ্রীমস (শিল্লোং) দগী চহী ৫গী দেপ্যুটেসনদা পুরক্তুনা দিরেক্টর ওইহল্লমখিবা প্রোফেসর এ শান্তগী মতম শুদ্রিঙৈদা ফূক্তোক্লগা থাংদোকখ্রে। মশাগী পেরেন্ট ইন্সটিট্যুটতা নম্ফুদা হলহনখ্রে। মহাক হলহনখ্রবনিনা মহাক্কী মহুৎ শিলহৌনবা রেগ্যুলর দিরেক্টর অমা হাপত্রিবা করিগীনো? রেগ্যুলর দিরেক্টর অমা হাপ্নবগী মথৌ তাবা মতম ফংখিদে হায়রকপা য়ারোই। মরমদি মহাক হলহনখ্রবদি মহাক্না পুরম্বা ফমসি হাঙহৌরগনি হায়বসি মহাক হলহনখিনবগী ওর্দর থোক্লিবা মিনিষ্ট্রিনা খঙলিবা নৎত্রা? ওর্দরদুসু মতম য়াম্না ৱাৎলিঙৈদা ঙনখৎনা থোকখিবনি। শাংলবা মতমদুগী মনুংদা তৌগে হায়রবদি য়াই। দিরেক্টর ওইবা য়াবগী ক্রাইটরিয়া শুরবা, সিনিয়রিটি লিষ্টনসু য়ারবা প্রোফেসর অমা রেগ্যুলর দিরেক্টর ওইনা হাপ্পা কৈদৌগে? রিমসনা এইমসকী থাক্তা লৈরক্লগনি খনবদগী থৌওইনা হাপ্তদুনা চরক-চহিং নাইহন্নবা হোৎনরিব্রা হায়বগী ৱানি। ফরে, রেগ্যুলর দিরেক্টর হাপ্নবগীদমক ওইনীংবশিংদগী খোইচাক থাবগী মতম লৌবা ওইরগসু লান্না হাপচিনবদি য়ারোইদবনা করিমত্তা কান্নরোই হায়বনি। অদুবু মসি ওইরমদ্রবা ফাওবদা রেগ্যুলর দিরেক্টর হাপ্লক্ত্রিবনিনা হাপ্নবগীদমক মতম লৌরিবনি হায়রবা ফাওবদা হাপত্রিঙৈদা 'ইন-চার্জ' ওইনা পুহল্লক্লিবা অসিদি সিনিয়রিটিগী মতুংইন্না তৌবদি য়াদব্রা? রুলস অমসুং রেগ্যুলেসনগী ৱাংমদা চৈ কানবা থবকশিং মণিপুর গভর্ণমেন্টকী লোয়শঙ কয়াদা তৌনরকপদগী ৱারু-নুংজু থোক্নরক্লবসু মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমদদি তৌরকফম থোকপা হৌজিক্তি রিমসকী প্রোফেসরশিংগী সিনিয়রিটি লিষ্টতা মকোক থোংনা লৈবদুনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলক্লে। কোর্টনা ৱায়েল চথরগা ককথৎতুনা চৎনহনখিদ্রে, করি শারে? হায় কোর্টকী ওর্দরদু সিঙ্গল বেঞ্চকীনি হায়দুনা দিভিজন বেঞ্চ অমসুং সুপ্রিম কোর্টতা রিভিজন নৎত্রগা আপীল ফাইল তৌখিগদৌরিব্রা? রেগ্যুলর দিরেক্টর হাপত্রিঙৈদা ইন চার্জ ওইনা পুহনগদবা ওইরবসু সিনিয়রিটিগী মতুংইন্না তৌবা য়াদব্রা? য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রি ফাওবদা রিমসকী মতাংদা মোংবা চঙবগুম্বগী থৌদোকসি চুম্ব্রা? অচুম্বা-অশেংবসু তৌবা তম্মু, ৱাথোক ওইহল্লক্কনু, য়েংনীংদে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৬

১) **"মণীগী মঙাল"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"মখৈ লৈত পেঞ্জবা"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **"ঈথৈখ্রবা ঈচেল"** হায়বসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"হিমায় চুম্বা হিরোয়গুম/হিথাংফম য়ৌনা হি হোনলিবী/ঈচেল কনবা লাইজদসু/নৌবু খূৎপায় চেৎলিবী/থোৎলবদা নঙ লৈরাংনি/কনবদা নুংগা চাংদল্লিবী/ঈশ্বরগী অঙকপা খূৎশেম/নুপী নঙ হীংদুনা লৈয়ু/যুগ যুগ খুদিং।।"** শৈরেং মতেক অসি মপান মণিপুরগী অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো? মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **"লৈমরেম্বীনি ঐ"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কা হেন্না ঈংলবা ফীভমশিংদসু মপাঙ্গল হন্থদনা লৈরিবা এলোয়

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**



Robert Ritchie


ধাতুশিং নৎত্রগা ধাতুগা ধাতু নত্তবা ইলিমেন্টশিংগা য়ানশিন্নদুনা শেম্বা হেমোজিনিয়স মিক্সচর/সোল্যুসন অমা ওইরিবা এলোয়গী কান্নবসি ঐখোয় খুদিংমক্না খঙনরবা ঙাক্তনি। কোট্টিং কাগনবা, অরূম্বা ধাতু ওইরিবা য়োৎসিনা নিকল অমসুং ক্রোমিয়মগা য়ানশিন্নরগা ষ্টেইনলেস ষ্টিল ওইরকখিবদগীদি কোট্টিং কাখিদ্রে, লূম্বগী চাংসু হন্থখ্রে। অসুম্না এলোয় খুদিংমক্কী মপূং ওইরিবা ধাতু অদুদগী তোপ-তোপ্পা মগুনশিং লৈ। অদুনা এলোয়শিংগী শীজিন্নফমসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপগা লোয়নন্না অনৌবা এলোয় কয়া অমসু পুথোরক্লি।

হৌখিবা দিসেম্বর ১, ২০২২দা 'সাইন্স' চেফোঙদা ফোঙদোরকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না Lawrence Berkeley National Laboratory (বর্ক্লি লেব) অমসুং Oak Ridge National Laboratory (ORNL) গী থিজিল্লোইশিংনা লুচিংখিবা থিজিন লূপ অমনা ঐখোয়না হৌজিক শীজিন্নরিবা এলোয়শিংসিদগী য়াম্না হেন্না মপাঙ্গল কনবা, ক্রোমিয়ম, কোবাল্ট অমসুং নিকল (CrCoNi) গী এলোয় অমা পুথোকপা ঙম্লে হায়রি। এলোয় অসি য়াম্না মেলিএবল (চেগুম্না পাবা মরোলশিং শেম্বা ঙম্বা) অমসুং দক্টাইল (তারা ওইনা চিংথোকপা য়াবা) ওইবখক্তা নত্তনা মপাঙ্গল কনবগী চাংসি অদুক্কী মতিক ৱাংই অদুনা এলোয়শিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী ফবা হায়বদু ওইরগনি হায়রি। চপ মান্নবা য়ুনিটশিংদা ওনবদা সিলিকোন মচেৎ অমগী মপাঙ্গল কনবগী চাংসি ১নি, পেসেঞ্জর এয়রপ্লেনশিংদা শীজিন্নরিবা এলুমিনিয়ম এয়রফ্রেমগীনা ৩৫ মুক্নি, অদুগা খ্বাইদগী ফবা ষ্টিল খরগীনা ১০০ ফাওবা ওই; অদুবু নৌনা পুথোরক্লিবা এলোয় অসিগীদি ৫০০ মুক ওই হায়রি।

কনাগুম্বা অমনা ষ্ট্রকচরল মেটরিএলশিংবু দিজাইন তৌবা মতমদা মপাঙ্গল কনবগা লোয়নন্না তারাগুম্না চিংথোকপা য়াবা অমসুং তেক্কন-কাইগন্দবা ওইহনবা তাই হায়না ও এন আর এলগী এদভান্সদ এলোয় থিওরি এন্দ দিভেলপমেন্টকী প্রোজেক্ট কো-লিদ Easo George ফোঙদোক্লি। হায়রিবা এলোয় অসিদি য়াম্না নেম্বা টেম্পেরেচরদা কাইগনবা ওইরকপগী মহুত্তা হেন্নদুম মপাঙ্গল কনখৎলকই হায়রি।

CrCoNi হায়বসি হায় ইন্ট্রোপি এলোয় (ঐচ ঈ এ) হায়না খঙনরিবা ধাতুশিংগী কাঙলূপ অমগী সবসেট অমনি। হৌজিক ঐখোয়না শীজিন্নরিবা এলোয়শিং অসিদা মপূং ওইনা ধাতু অমগী চাং য়াম্না য়াওই অদুগা অতোপ্পা ধাতু নৎত্রগা ধাতু নত্তবা ইলিমেন্ট অমগী চাংনা নেম্না য়াওই অদুবু ঐচ ঈ এশিংদদি ধাতু নৎত্রগা ইলিমেন্টশিংগী চাংশিংদু মান্নদা য়াওই। অদুনা প্রেসর পীশিনবা মতমদা থোইদোক-হেন্দোক্লা মপাঙ্গল কনবগা লোয়নন্না তারা ওইনা চিংথোকপা য়াবগী মগুনসু হেনগৎলকই। ঐচ ঈ এশিংসি ঙসিদগী চহী কুনমুক্কী মমাঙদা শেমগৎলকখিবদগী থিজিনবগী থবক্তা পান্নবা পোৎ অমা ওইনা শীজিন্নরক্লি, অদুবু এলোয়শিং অসিবু মখল-মখা কয়াগী চাং য়েংনবগী টেক্নোলোজি শেমগৎলকপদি ইকুই কুইদ্রি।

Easo George অমসুং বর্ক্লি লেবকী মেটরিএলস সাইন্সেস দিভিজনগী Robert Ritchie না ঙসিদগী চহী তরামুক্কী মমাঙদগী CrCoNi অমসুং মেঙ্গানিজ অমসুং য়োৎ য়াওবা অতোপ্পা এলোয় (CrMnFeCoNi) অমগী মরমদা চাংয়েংশিং পাঙথোক্তুনা লাকখি। মখোয়না এলোয়শিংদুগী সেম্পলশিং শেন্নবা মতুংদা নাইট্রোজেন মহী (দিগ্রি সেন্টিগ্রেদ মাইনস ১৯৫ মুক্কী চাংদা ঈংবা) শীজিন্নদুনা ঈংহল্লম্মী। অসুক য়াম্না ঈংলবা টেম্পেরেচর অসিদা এলোয়শিংদুগী মপাঙ্গলদু অদুম কন্দুনা লৈবা থেংনরম্মী।




গ্রেইন ষ্ট্রকচর অমসুং কৃষ্টল লাটিসকী লৈফমশিং

ধাতুশিং য়াওরগা, মপং ওইবা পোৎ কয়া অমদি কৃষ্টলাইন ওই। মসিদা য়ুনিট সেল কৌবা 3D এটোমিক পেট্টর্নশিংনা শেম্বা লাটিস য়াওই। মেটরিএল অমগী কাইগন্দবা অমসুং মপাঙ্গল কনবগী চাংসি লাটিস অদুগী ফিজিকলগী ওইবা মগুনশিংগী মখা পোল্লি। কৃষ্টল লাটিস খুদিংমক্কী খুদোংচাদবসি লৈ। মরম অসিনা পোৎ অদুদা য়াওরিবা য়ুনিট সেলশিংগী 'দিফেক্টশিং' লৈ হায়বদি মখোয়গী দিসলোকেসনশিং থোকই। মেটরিএল অদুদা খুদম ওইনা ধাতুগী চমচ অমদা শাফু পীশিন্দুনা কোলহনবা মতমদা চমচ অদুগী মওং-মতৌ হোংলক্লিবদুগী মরমদি লাটিসশিংদু ফাওরগা দিসলোকেসনশিংনা চৎলকপদগীনি। দিসলোকেসনশিংনা হেন্না লায়না চৎপা ঙম্লিবমখৈ মেটরিএলদু থোৎপা হেল্লি। লাটিস ইরেগুলরিটিশিংগী মওংদা দিসলোকেসনশিংনা চৎপদু ওবষ্টেকলশিংনা থিংলবদি, দিসলোকেসন অদুগী মনুংদা এটমশিংদুবু লেঙহন্নবগীদমক হেন্না কনবা শাফু পীশিনবগী মথৌ তারকই অদুগা মেটরিএল অদুগী মপাঙ্গল কনখৎলকই। কোনশিল্লক্লিবা শরুক অদুদা ওবষ্টেকলশিংদুনা মেটরিএল অদুবু হেন্না কাইগনবা ওইহল্লি অদুনা ময়ি চৎলকই।

ন্যুট্রোন দিফ্রাক্সন, ইলেক্ট্রোন বেকস্কেটর দিফ্রাক্সন অমসুং ট্রান্সমিসন ইলেক্ট্রোন মাইক্রোস্কোপি শীজিন্নদুনা থিজিন লূপ অসিনা CrCoNi সেম্পলশিংগী লাটিস ষ্ট্রকচরদু য়েংলম্মী। অসিগুম্বা টেক্নিকশিং অসিগী মতেংদগী শেমগৎলকপা মমিশিং অমসুং এটোমিক মেপশিংনা তাক্লিবদি এলোয়দুনা মপাঙ্গল কল্লিবা অসি মেটরিএল অদুদা শাফু পীশিনবা মতমদা অখন্নবা মওং অমদা দিসলোকেসন ওবষ্টেকল অহুম্না থোকহনবনি হায়বা ৱাফম অসিনি। অহানবদা, চৎলিবা দিসলোকেসনশিংনা পেরেলেল প্লেনশিংদা লৈবা মফমশিং অদুদগী কৃষ্টলশিংগী মফমশিংদু চৎহল্লকই। অসুম্না চৎপসিনা য়ুনিট সেলশিংগী মরোলশিংদু লেঙহল্লকই মদুদি লেঙবগী মায়কৈ অদুদা পরপেন্দিকুলর ওইবা মায়কৈদা পেট্টর্ন অদুগা চুশিন্নরকপা ঙমদে, অদুগা ওবষ্টেকল মখল অমা শেম্লকই। ধাতু অদুদা মখা তানা শাফু পীশিনবা মতমদা নানোট্বিনিং হায়না খঙনবা থৌওংসি থোরকই অদুগা লাটিসকী মফমশিং অদুনা মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা বাউন্দরি অমগা লোয়নন্না মিররদ সিমিট্রি অমা শেম্লকই। অরোইবদা, ধাতু অদুদা শাফুশিংদু পীশিন্দুনা অদুম লৈরবদি সিষ্টম অসিদা পীশিল্লিবা এনর্জি অদুনা য়ুনিট সেলশিংগী লৈফমশিংদু হোংহল্লকই অদুগা CrCoNi গী এটমশিংনা ফেস-সেন্টর্দ ক্যুবিক কৃষ্টল ওইরম্বদগী হেক্সাগোনল ক্লোজ পেকিং হায়না খঙনরিবা ষ্ট্রকচর অদু ওইরকই।

থিজিন লূপ অসিনা পুথোরক্লিবা CoCrNi বু দিফোর্ম তৌবা মতমদা ষ্ট্রকচরদু য়াম্নমক কমপ্লেক্স ওইরকই অদুগা অসুক্কী মতিক কাইগন্দবা পোৎ অমা ওইরকপা ঙন্মী। লূপ অসিনা ইলেক্ট্রোন মাইক্রোস্কোপশিংদা ফাষ্ট ইলেক্ট্রোন দিটেক্টর হাপচিন্দুনা নৈনবগী থবকসি পাঙথোকখি। অসুম্না তোঙান তোঙানবা কৃষ্টলশিংগী ষ্ট্রকচর খঙদোক্লবা মতুংদা নানোমিটর অমখক্কী রিভোল্যুসনদা দিফেক্টশিংগী মশীং হেনগৎহল্লম্মী। মতৌ অসুম্না CrMnFeCoNi গী এলোয় অসিবুসু সেন্টিগ্রেদ দিগ্রি মাইনস ২৫৩দা চাং য়েংলম্মী। মসিগীসু ইথা থাজরুদবা মগুনশিং থেংনরকখি অদুবু CrCoNi গুম্নদি মপাঙ্গল কনবা ঙম্লমদে।

হৌজিক্তি CrCoNi এলোয়গী নুংগী ওইবা শক্তম্মু হেন্না ফজনা খঙবা ঙম্লক্লবনিনা এলোয় অসিখক্তা নত্তনা অতোপ্পা ঐচ ঈ এশিংবু কান্নবা লমশিংদা শীজিন্নরক্লবগী লম্বীসি য়াম্না নক্লে হায়বা য়ারে। অসিগুম্বা এলোয়শিংসি তাংজরবসু মনুং হঞ্জিনবা, য়াম্না ঈংবা স্পেসকুম্বা মফমশিংদা হৌজিক শীজিন্নরিবা এলোয়শিংনা মথৌ পাঙথোকপা ঙমদবা মফমশিংদা শীজিন্ননবগী পান্দম থল্লি। অদুগা অতোপ্পা অমরোমদনা, মমল হোংবা ধাতুশিং শীজিন্নরগা চাংয়েংশিং পাঙথোক্লবগী মঙসু মঙলি। ●

# ফুটবোল শান্নরোয় পেলে

\- লৈশাংথেম অজিৎ -



ফুটবোল শান্নরোয় 'পেলে' না হায় মদুদি কুমজা ১৯৫৮গী মে থাগী তারিখ ২৪দা মহাক অহানবা ওইনা এরোপ্লেন তোংই। প্লেনদা কৈরাক্লা কাখৎপা অদু মসিনা ইহান হানবনি। এরোপ্লেন অদু DC7-C হায়বা অদুনি। Panair do Brazil হায়বা গ্রুপ অদুগীনি। মসিদা ব্রাজিলগী টিম অদু য়ুরোপ্তা ফুটবোল শান্নবা চৎপনি। এরোপ্লেন মনুংদা উরিবা পোৎ খুদিংমক মঙোন্দদি ইঙক ঙকপা পোৎ ঙাক্তা ওইনা উখি। অদুনা মহাক্কী মমিৎ অদু লাওথোক্লদুনা পোৎ খুদিংমক মুন্না মুন্না য়েংলম্মী। এরোপ্লেন অদু থাও হানবগী Recife কৌবা মফম অদুদা তাবা মতমদা মী লিশীং কয়ামুক্লা মখোয়বু ঙাইদুনা লৈরম্মী। মখোয়না এরোপ্লেনদগী কুমথরগা মফম অদুগী অচৌ অশাং কয়ামুক য়াওনা মখোয়বু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্লম্মী। মদুদা মহাক্লা ব্রাজিল ফুটবোল টিমগী মগুন অদু খঙলকখি। পুং ১২ পাইরবা মতুংদা প্লেন অদু লিসবোন সহরদা তারম্মী। খোঙচৎ অদুদা য়াওরিবা ডাক্তরশিংগী মরক্তা য়াগী ডাক্তর (Dentist) মেরিও ত্রাইগো কো অমা য়াওই। মহাক্লা চৎলিবা কাঙলূপ অদুবু মরক মরক্তা ফাগি তৌদুনা নুংঙাইহল্লি অমদি নোকহল্লি। মদুদা মহাক্লা পেলেগী য়া অদুনা খ্বাইদগী ফবা য়ানি হায়দুনা মহাকপু য়াম্না হরাওহল্লি। ডাক্তর অদুনা করিগুম্বদা ক্যুইজ তৌরম্মী মদুদা মাজকোলাবু মহাক্কী মতেং পাংবা এসিষ্টেন্ট ওইহল্লম্মী। ডাক্তর অদুনা মখোয়না তৌরিবা ক্যুইজ অদুগী মতেং পাংবা ওইরম্মী। ক্যুইজ অদু মখোয়না "The Sky's Limit" হায়বা মমিং থোল্লি। মদু ব্রাজিলগী টি ভি প্রোগ্রাম অমনি। মদুদা মহাক্লা ৱাহং অমত্তা চুম্না খুম্বা ঙমখিদে। অদুবু মখোয় খুদিংমক মরৈবাক্কী মীহুৎ ওইনা মালেমগী লৈবাকশিংগা লম্বা তৌনবা চৎপনি হায়না খনবদা য়াম্না নুংঙাইখি। ক্যুইজগী ৱাহং অমদা পেলেদা ইটালিগী কোনুংগী মমিং হংবদা মহাক্লা Aracaju নি হায়না খুম্লম্মী। Aracaju দি ইটালিগী ষ্টেট Sergipe গী কোনুংনি। মথংদা অমুক পৃথিবীগী খ্বাইদগী চাওবা সহরগী মমিং হায়য়ু হায়না হংবদা Raiz da Serra নি হায়না পাউখুম পী। মফম অসিদি মহাক্কী মরুপ ফুটবোল টিম অদুদা য়াওরিবা Garrincha গী পোক্লফমনি। মদুদা প্লেন মনুংদা তোংলিবা মীপূম খুদিংমক্না নোক্লম্মী।

অসুম্না মখোয় ময়াম অসি মতম লেন্নবা হোৎনরম্মী। মসি মঙোন্দদি জহাজদা থবক তৌবা, জহাজ থৌবা য়াওবা নুপা অমগী অহানবা খোঙচৎকা চপ মান্নে হায়খি। পুং অহুম হেন্না এরোপ্লেন্দা পাইরবা মতুংদা রোম সহরদা থুংলম্মী। মদুদা মহাক য়াম্না নুংঙাইজরম্মী মদুদি মফম অদুদা খৃষ্টিয়ানগী কেঠলিক কাঙবুগী খ্বাইদগী চাওবা (Pope) মকোক অদু লৈ। মদুদা মখোয় ময়াম Pope উন্নবা চৎপদা উন্নবা ফংলকখিদে অদুবু রোমদা লৈবা Coliseum, Trevi Fountain, Olympic Stadium (1960 Olympic) Vavia Veneto নচিংবা পুৱারীগা মরী লৈনবা মফমশিং য়েংবা চৎলম্মী। অদুবু টিম অদুনা খ্বাইদগী পাম্বদি ইটালিগী অচাপোৎ অমদি চিঙাকশিং অদুনি।

ব্রাজিল টিমগী অশিল অরাং তৌরিবশিং অদুনা মফম অদুদা ইটালিগী মমিং লৈরবা টিম খরগা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নহল্লম্মী। অহানবদা ফ্লোরেন্স সহরদা Fiorentina Club কা শান্নহল্লি। মদুদা মহাকপু ডাক্তর গোসলিংনা মহাক্কী মখোঙ অদু য়েংবদা শান্নবা য়াখিরোই হায়দুনা য়াওহনখিদে। মহাক্লা অসুম্না শোক্তুনা লৈবা অদুদা মখোয় ময়াম্থু শেম শাবীনবা ওফিসল টিম অদুদা য়াওরিবা মীশক অমনা মহাকপু ময়ূমদা হলহনখিনবা হায়রম্মী। অদুবু ডাক্তরনা অসুম্না হায় মদুদি মহাক্কী মখুউদা য়াম্না নাগদবা ওপরেসন অমা তৌরবদি মহাক শান্নবা ঙমগনি। মরম অদুনা মহাক্কী মখুউ অদু ওপরেসন তৌরবা মতুংদা ফী অথাবা অমগা ঈশিং অশাবনা হিগা য়ৈরবদি ফরক্কনি হায়বদগী মহাক্লা ঈশিং অশাবা য়ৈবদগী মখুউ নাবা অদু ফরকখি। মদু য়াম্না অৱাবা অমা ওইখি, তৌইগুম্বসুং অনাবা অদু ফখি।

মথংদা মিলন সহরদা Internaztionale কৌবা টিম অমগা শান্নবদা মহাক শান্নবদা য়াওবা ফংদে। মপান্দা থারিবা ফালদা ফমদুনা লৈহল্লি। মসিগী মতুংদা জর্মনি অমসুং অলপস চীংজাও লাম্হোক্তুনা দেনমার্ককী কোনুং কোপেনহেগেনদা য়ৌরম্মী। মফম অদুদগী মিনট ৪৫নি রোম পাইরগা গোয়েনবর্গ য়ৌখি। মখোয়না মফম অদু য়ৌরবা নুমিৎ তরুকনি লৈরগা মখোয়গী অহানবা মেটচ শান্নগদবনি। ব্রাজিলগা শান্নগদবা গ্রুপতি ওষ্ট্রিয়া, ইংলেন্দ অমসুং য়ু এস এস আরনি।

মখোয়গী টিম অদু হিন্দাস কৌবা মফমদা লৈবা হোটেল অমদা থম্মী। Gothenberg তগীদি বসতা চৎপদা খরা নকই। মখোয়গী হোটেল অদু অফবা অৱাংবা থাক্কী হোটেলনি। টিম অসিগী ডাক্তর গোসলিংনা, মখোয়না লৈগদবা মফম অদু থিবা চৎলুই, মফম অদুদা ব্রাজিলগী টিম অদু ফজবা উ-ৱা, চীং-পাৎকী সিনরি অমদি অফবা অশেংবা নুংশিৎ অদুনা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। মরম অদুনা টিম অদুনা স্বিদেন অসি য়াম্না ঈংবা-তপ্পা মীওইশিং লৈবা ঈশিং নুংশিৎ য়াম্না ফবা লৈবাকনি হায়না লৌনৈ। মখোয়গী ডাক্তর গোসলিংদি য়াম্না চেকশিল্লি অদুনা ফুদ পোইজনিং ওইরকপা য়াই হায়না Sandwich খক্তমক চাহল্লি। টিম অদু অমগা অমগা য়াম্না নুংশি-চান্নরম্মী, খৎন-চৈনবা, নুংঙাইনদবা অমত্তা য়াওদে। শান্নরোয় খুদিংগী নিকনেম অমমম থম্মী। Gilmar বু Giraffe কৌই। মরমদি মহাক্কী মঙক য়াম্না শাংই। Casthito বু Buris কৌই। মরমদি মহাক ফিল্ম কুম্বা Boris Karoff কা য়াম্না মান্নে। অসুম্না শান্নরোয় খুদিংমক্কী তোঙান তোঙানবা মমিং থোল্লবা মতুংদা মহাক্কী (পেলে) গী মমীংদি কুচু মুবনা মরম ওইদুনা Alamao কৌই। মদু কৌবগী মরম মহাক খঙজে হায়রি। মখোয় শকমান্নদবা, কুচু মান্নদবা অমসুং ফুরুপ মান্নদবা পাক চাওবা লৈবাক ব্রাজিলগী শান্নরোয়শিং অদু অমগা অমগা নুংশিনৈ। অমনা অমবু থাজনৈ, অমনা অমবু মতেং পাংজৈ। মরম অদুনা অফবা ফুটবোল টিম অমা ওই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।